## এসিয়ন ট্রেক সাইক্লিং চেম্পিয়নশিপকী অরোইবা নুমিৎতা

# রোনাল্ডোনা সিলভর অমদি বির্জিৎনা ব্রোঞ্জ লৌখ্রে




ন্যু দেল্লী, জুন ২২ (এজেন্সী):
ষ্টেটকী সাইক্লিষ্ট অনী লাইতোঞ্জম রোনাল্ডো অমদি বির্জিৎ যুম্নামনা ৪১শুবা সিনিয়র অমদি ২৮শুবা জুনিয়র এসিয়ন ট্রেক সাইক্লিং চেম্পিয়নশিপ ২০২২গী ঙসি অরোইবা নুমিৎতা সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদল অমমম্ ফংবা ঙমখ্রে।

চায়নিকা গোগোইসু ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংবা ঙমখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা চেম্পিয়নশিপ অসিগী অরোইবা নুমিৎতা সিলভর ১ অমদি ব্রোঞ্জ ২ ফংবা ঙমখি।

লাইতোঞ্জম রোনাল্ডোনা ঙসি শান্নখিবা সিনিয়র নুপাগী স্প্রিন্ট ইভেন্টতা জপানগী কেন্টো য়ামাসাকিগা কন্না লান্থেংনরবা মতুং সিলভর মেদল ফংহৌখিবনি। য়ামাসাকিনা রোনাল্ডোবু রেস অনী বেক-টু-বেক মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি অদুগা কাজাখষ্টানগী এন্দ্রি চুগেনা ইভেন্ট অসিগী ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি।

রোনাল্ডোনা এন্দ্রি চুগেবু ঙসি অয়ূক পাঙথোকখিবা সেমীফাইনেলদা মায়থীবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকখিবনি। মহাক্কী ওইনা চেম্পিয়নশিপ অসিদা মেদল ফংবা অহুম্লক শুবনি। মহাক হান্না চেম্পিয়নশিপ অসিগী কিলোমিটর ১গী টাইম ট্রায়ল অমদি টিম স্প্রিন্ট ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল অমমম্ ফংবা ঙমখ্রে।

মপোক নুমিৎতা সিলভর মেদল ফংখিবা রোনাল্ডোনা ফোঙদোকখিবদা, 'ঐগী ৱাখলদা গোল্ড ফংগনি খঞ্জরম্বনি অদুবু অহানবা ওইনা সিলভর মেদল ফংবা অসি য়াম্না হরাউবা ফাওই। ঐগী করিয়রদা ঙসিগী অসিনা খ্বাইদগী ফবা পর্ফোর্মেন্স পীখিবা ইভেন্টনি' হায়খি।

টুর্নামেন্ট খূদিংগী ঐগী টেক্নিক হেন্না ইমপ্রুভ ওইবা হেলহল্লি অমদি মসি য়াম্না মরু ওই। ঐনা মেদল ফংবা ঙম্বা অসি ইমুং-মনুংগী থৌজালদগীনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

অমরোমদা, বির্জিৎ যুম্নামনা জুনিয়র নুপাগী কিলোমিটর ১৫গী পোইন্ট রেসতা কোরিয়াগী সুংয়িওনলীদগী পোইন্ট ১ হন্থরগা ২৩ ফংদুনা ব্রোঞ্জ মেদল ফংহৌখি। ইভেন্ট অসিদা উজবেকিষ্টানগী ফরুখ বোবোসেরোভনা গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখি।

ঙসি লোইশিনবা নুমিৎকী য়াম্না অঙকপা ওইনা চহী ১৯ খক্তা ঙাইরিবী চায়নিকা গোগোইনা জুনিয়র নুপীগী কিলোমিটর ১০গী স্ক্রাশ রেসতা কাজখষ্টানগী রিনাতা সুল্টানোভাবু মায়থীবা পীরম্লগা ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখি। ইভেন্ট অসিদা য়ুরি কিমনা গোল্ড অদুগা জপানগী কিফুরুয়ামানা সিলভর মেদল ফংবা ঙমখি।

চেম্পিয়নশিপ অসিদা ইন্দিয়ানা সিলভর ৪ অমদি ব্রোঞ্জ ১৩ পূন্না মেদল ১৭ ফংদুনা মেদল টেলিগী ৭শুবা মফমদা লৈখি। অদুগা ১০শুবা পেরা ট্রেক সাইক্লিং চেম্পিয়নশিপকী ওইনা ইন্দিয়ানা গোল্ড ২, সিলভর ২ অমদি ব্রোঞ্জ ২ পূন্না মেদল ৬ ফংদুনা ৩শুবা মফমদা লৈখ্রে।

চেম্পিয়নশিপ অসিগী ওভরওল ওইনা ইন্দিয়ানা গোল্ড ২, সিলভর ৬ অমদি ব্রোঞ্জ ১৫ পূন্না মেদল ২৩ ফংদুনা ৫শুবা মফম অদুগা জপাননা গোল্ড ১৮, সিলভর ৭, ব্রোঞ্জ ২ পূন্না মেদল ২৭ ফংদুনা মেদল টেলিগী তোপতা; কোরিয়ানা গোল্ড ১২, সিলভর ১৪ অমদি ব্রোঞ্জ ৩ পূন্না মেদল ২৯ ফংদুনা অনীশুবা অমদি কাজাখষ্টাননা গোল্ড ৪, সিলভর ৪, ব্রোঞ্জ ৩ পূন্না মেদল ১১ ফংদুনা ৩শুবা মফমদা লৈবা ঙমখিবনি।

## হিরো জুনিয়র যু-১৭ ৱিমেন নেসনল ফুটবোল

# ববিতা, সঞ্জনাগী হেটট্রিকনা মণিপুর চাওনা মায় পাক্তুনা কেম্প্যেন হৌদোকখ্রে



ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস):
মোইবুংখোংবম সঞ্জনা চনুনা চনখিবা গোল ৪ অমদি ওইনাম ববিতাগী গোল ৩গী মতেংনা মণিপুরনা উত্তরখন্দবু লাকচনা ১৪-০দা চথরিবা হিরো জুনিয়র অন্দর ১৭ ৱিমেন্স নেসনল ফুটবোল চেম্পিয়নশিপকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ এগী অহানবা মেটচতা মায়থীবা পীখ্রে।

গুৱাহাটিগী ইন্দিরা গান্ধী এথলেটিক্স ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা ষ্টেটকী নুপীমচাশিংনা শান্নবা হৌরকপদগী খূদুম চন্না শান্নখিবগা লোয়ননা উত্তরখন্দবু ৪-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি। অদুগা অনীশুবা হাফতা মণিপুরগী নুপীমচাশিংনা গোল ১০ অমগা হাপচিন্দুনা লাকচনা ১৪-০দা মায়থীবা পীরমখিবনি।

রোমিনাগী থ্রো পাস অমগী মতেংদগী ওইনাম ববিতানা শান্নবা হৌরকপগী ৩শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্কী অনীশুবা গোল অদুনা শান্নবগী ৩১ শুবা মিনটতা চনখি অদুগা মহাক্কী হেটট্রিক গোল অদুনা শান্নবগী ৩৬ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

ইফম রোমিনা বেগমনা অহানবা হাফ লোইরমদাই শান্নবগী ৪৫ শুবা মিনটতা মণিপুরগী গোল ১গা হাপচিন্দুনা উত্তরখন্দবু ৪-০দা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা মাংজিল থাখি।

সঞ্জনা চনুনা শান্নবগী ৫১ শুবা মিনটতা মহাক্কী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা শান্নবগী ৫৮, ৬৫ অমদি ৭৫ শুবা মিনটতা গোল ৩গা হাপচিন্দুনা পূন্না গোল ৪ চনবা ঙমখি। উশম লক্সমীনা শান্নবগী ৫২ শুবা মিনটতা মণিপুরগী ৬শুবা গোল চনবা ঙমখি। তোইজম থোইবীসনা চনু অমদি থিংবাইজম সঞ্জিতানা শান্নবগী ৬৪ অমদি ৭৩ শুবা মিনটতা গোল অমমম্ চনবা ঙমখি।

ওইনাম ববিতাগী মহুৎতা চঙলকখিবা খুমুকচম ভুমিকানা সঞ্জনাগী পাস অমগী মতেংদগী গোল ওন্থোক্তুনা শান্নবগী ৭৫ শুবা মিনটতা মণিপুরগী ১১শুবা গোল চনবা ঙমখি। মহাক্না মখা তানা মেটচ লোইরমদাই শান্নবগী ৯০ শুবা মিনটতা মণিপুরগী মায় পাকপগী ১৪ শুবা গোল চনবা ঙমখি।

কিমটে লঙ্গেলনা শান্নবগী ৮০ শুবা মিনটতা মণিপুরগী ১৩শুবা গোল চনবা ঙমখিবনি।

মণিপুরনা মথংগী মেটচতা অন্ধ্র প্রদেশকা থা অসিগী ২৪গী অয়ূক পুং ৯দা লম্বা তৌনরগনি।

অমরোমদা, চপ মান্নবা মফমদা শান্নখিবা গ্রুপ ঈগী মেটচ অমদা নাগালেন্দনা লদাখপু ২-১দা মায়থীবা পীখি। নাগালেন্দগী মায় পাকপগী গোল ২ অদু দিজেচুনো সেয়ি অমদি চিমুশেনা শান্নবগী ৪১ অমদি ৪৫ শুবা মিনটতা চনখি। লদাখকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা অলিয়া আশ্রফনা শান্নবগী ৬৯ শুবা মিনটতা চনখিবনি।

# তৌরাংবম পুর্নাচন্দ্র লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোক্লরক্লি



ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস):
ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী হান্নগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরম্বা তৌরাংবম পুর্নাচন্দ্রনা ইখঙ খঙহৌদনা মনুং মতম চাদনা মহাক্কী উরিপোক তৌরাংবম লৈকাইদা লৈবা ময়ূমদা থা অসিগী ২১দা লৈখিদববু এসোসিএসনগী মায়কৈদগী নুংঙাইতবা অমদি অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

এসোসিএসনগী জেনরেল সেক্রেটরি ঐচ চেতনচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোক্লদুনা মপান কাংজেবুংদা লৈবা এসোসিএসনগী ওফিসতা মেম্বরশিংগা লোয়ননা মিনট ২ তুমিন্না লৈদুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না ঈংনা-চিক্না লৈরুনবা মপূদা থৌনীজবগা লোয়ননা ইমুং-মনুংনা থেংনহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়ারি।

এসোসিএসনগী মেম্বরশিংনা পুর্নাচন্দ্রনা হিংলিঙৈ দিষ্ট্রিক্ট অসিদা ফুটবোল মশান্নবু চাউখৎনবা হোৎনবদা লৌরম্বা থৌদাংশিংবু নীংশিংখি।

পনবা য়াবদি, পুর্নাচন্দ্র যুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী ট্রেনিং এন্দ কোচিংগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ওইনা থৌ পুরম্মী। মহাক্না লৈরিঙৈদা ইনিদয়া টিমগী কোচ ওইরম্বদা নৎতনা ষ্টেট অসিগী আই লীগ টিম অমা ওইরিবা ট্রাওগীসু কোচ ওইনা থৌ পুরম্মী।

অমরোমদা, পুর্নাচন্দ্রনা লৈখিদবদা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএসন ককচীং অমদি টিদ্দিম রোদ এথলেটিক্স য়ুনিয়ন (ট্রাও) ক্লাকৈথেলগী মায়কৈদগীসু অৱাবা অমদি নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি।

## য়ু-২৩ ফাইব নেসন্স টুর্নামেন্ট

# ইন্দিয়াগী জুনিয়র নুপী হোক্কী টিমনা য়ুক্রেনবু ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে



দব্লিন, জুন ২২ (এজেন্সী):
আইরলেন্দগী দব্লিনদা চথরিবা য়ুনিফার য়ু-২৩ ফাইব নেসন্স টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী জুনিয়র নুপী হোক্কী টিমনা য়ুক্রেনবু লাকচনা ৩-০দা মায়থীবা পীখ্রে।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা য়ুক্রেনগী নুপীমচাশিংনা শান্নবা হৌরকপদা খূদুম চন্না শান্নখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়া টিমগী মায়কৈদা এটেক কয়া চথখিবগা লোয়ননা শান্নবা হৌরকপগী ৫শুবা মিনটতা মখোয়গী অহানবা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংবা ঙমখি। অদুবু ইন্দিয়াগী দিফেন্সনা নীংথিনা মেনেজ তৌদুনা ঙন্না চনশিল্লক্কদবদগী ঙাকথোকপা ঙমখি। মখা তাবা ইন্দিয়াগী নুপীমচাশিংনা নীংথিনা কন্ট্রোল তৌদুনা শান্নখিবগা লোয়ননা য়ুক্রেনগী মায়কৈদা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংবা ঙমখি অদুবু গোল ওন্থোকপা ঙমদনা অরেম্বা তাখিবগা লোয়ননা টিম অনীনা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা অহানবা হাফ লোইখি।

হাফ মতুং অহুমশুবা ক্বার্টরগী শান্নবা হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ ইন্দিয়াগী নিকিতা টোপ্পোনা শান্নবগী ৩৩ শুবা মিনটতা মেটচকী অহানবা গোল চনবা ঙমখি। গোল চনখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা ইন্দিয়ানা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংদুনা গোল হাপচিনবা য়াবা তাঞ্জা অমা গোল ওন্থোকপা ঙমদনা অরেম্বা তাখি। ক্বার্টর লোইরমদাই মঞ্জু চোরসিয়ানা শান্নবগী ৪৪ শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি।

অরোইবা ক্বার্টরগী শান্নবদা য়ুক্রেনগী নুপীমচাশিংনা কাউন্টর এটেক কয়া চথদুনা মখোয়গী অহানবা গোল ফংনবা ঙম্নবা কন্না হোৎনখি অদুবু ইন্দিয়াগী দিফেন্সনা নীংথিনা ঙাকথোক্তুনা মখোয়গী এটেকশিংবু অরেম্বা তাহনখি।

মেটচ লোইরমদাই ইন্দিয়াগী ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমা ভাইস কেপ্টেন ব্যূটি দুংদুংনা শান্নবগী ৫৪ শুবা মিনটতা গোল ওন্থোক্তুনা য়ুক্রেনবু ৩-০দা মায়থীবা পীখিবনি।

ইন্দিয়াগী জুনিয়র নুপী হোক্কী টিমনা য়ুনাইটেদ ষ্টেট্স ওফ অমেরিকা (য়ু এস এ)গা মখোয়গী মরিশুবা অমদি টুর্নামেন্ট অসিগী লীগ ষ্টেজকী অরোইবা মেটচ শগোলশেন নুমিৎতা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল মেটচনা থা অসিগী ২৬তা পাঙথোক্লগনি।

# ৱর্ল্ড কপকী টিক্কেট মিলিয়ন ১.২ য়োনবা ঙমখ্রে : ওর্গনাইজর

দোহা, জুন ২২ (এজেন্সী):
কটারদা চহী অসিগী নভেম্বর-দিসেম্বরদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপকী টিক্কেট মিলিয়ন ১.২ ঙসি ফাওবদা য়োনবা ঙমখ্রে হায়না ওর্গনাইজরগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

চীফ ওর্গনাইজর হাসন অল-থাৱাদিনা ফোঙদোকখিবদা, মিদ্দল ইষ্টতা অহানবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱর্ল্ড কপ অসিদা রেকোর্দ ওইনা অঙকপা মওংদা টিক্কেট দিমান্দ তৌরক্লি। মসিনা তাকপদি মফম অসিদা মীয়াম্না লাক্কবা খৌরাংনা ঙাইরি হায়বনি।

কটারদা হোটেলগী একোমোদেসন লৈশিল্লক্তবনা ফেন খরদি ট্রেদিসনেল কটারি টেন্ট্স লিশিং ১দা লৈগনি অদুগা অতোপ্পশিংনা দোহাগী ক্রুইস শিপ দোকতা য়ারেক্কনি হায়রি।

# ফামনা নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস):
পোষ্টরিয়র হোক্কী একাদেমি মণিপুর (ফাম)না ষ্টেট অসিগী ওলিম্পিয়ন অনী য়াওনা শান্নরোয় অহুমবু কমনৱেল্থ গেমস অমদি ৱিমেন ৱর্ল্ড কপকীদমক ইন্দিয়া টিমদা শরুক য়ানবা খল্লকপদা হরাউবা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোরক্লি।

পোষ্টরিয়র হোক্কী একাদেমিদগী হৌখিবা ওলিম্পিয়ন নিলকান্ত (মিদফিল্ডর)না জুলাই ২৮দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা ইংলেন্দগী বর্মিংঘমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা কমনৱেল্থ গেমসকী ইন্দিয়াগী নুপাগী টিম স্কৱাদতা য়াওরকখিবনি।

ওলিম্পিয়ন সুশিলা চনু পুখ্রম্বম (মিদফিল্ডর) অমদি বিচু খারিবম (গোলকিপর) অনীবুনা নেদরলেন্দস অমদি স্পেনদা জুলাই ১দগী ১৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা এফ আই ঐচ ৱিমেন ৱর্ল্ড কপকীদমক ইন্দিয়াগী নুপী স্কৱাদ খনবদা য়াওরকখি।

শান্নরোয় অহুম্না মায় পাক্না লৈবাক্কী মিংচৎ পুরক্তুনা হল্লক্লবা একাদেমিগী মায়কৈদগী মপূগী মফমদা থৌনীজরি হায়না ফামগী সেক্রেটরি এন রামেশ্বর মৈতৈনা খঙহল্লক্লি।

# জোইন্ট মীটিং পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস): ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী এদহোক কম্মিটি অমদি সুপর দিভিজন টিমশিং অমদি ক্লবশিংগী প্রসিদেন্ট সেক্রেটরি য়াওনা জোইন্ট মীটিং অমা থা অসিগী ২৭কী অয়ূক পুং ৯দা লম্লোং থোংখোঙদা লৈবা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি হায়না এদহোক কম্মিটিগী কনভিনর ঐচ মেঘচন্দ্রনা খঙহল্লক্লি।

# নেরোকা এফ সীগী সিনিয়র প্লেয়র খন্নবা ট্রায়ল পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস):
নেরোকা এফ সী সঙাকফমগী সিনিয়র প্লেয়রশিং লৌনবা ট্রায়ল কম সেলেক্সন থা অসিগী ২৪দগী ৩০ ফাওবগী অয়ূক পুং ৭তগী ১২ ফাওবা কোইরেঙ্গৈ সী এম সী রোদতা লৈবা হিয়াই ফুটবোল একাদেমি গ্রাউন্দদা পাঙথোক্লগনি হায়না সেক্রেটরি ডা. মোইরাংথেম মণিমোহোননা খঙহল্লক্লি।

# ফুটবোল্লর ১৭ লোন এপ্লাই তৌরকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী সিজন ২০২২-২৩গী ওইনা ঙসি শান্নরোয় ১৭না ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট ট্রান্সফর অমদি লোনগীদমক এপ্লাই তৌরকখ্রে।

শান্নরোয়শিং অদুদি ইম্ফাল ৱেষ্টকী সী ঐচ আই কে এলদগী হাওরোংবম প্রদিপনা থৌবালগী ঐচ কে কে এস এদা, ইম্ফাল ৱেষ্টকী নিশাগী লাইশ্রম সুরজনা ইম্ফাল ইষ্টকী নেরোকা এফ সীদা, ট্রাও এফ সীগী নিংথৌজম নেপোলিয়ননা ইম্ফাল ইষ্টকী য়ু এস এদা, ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী লমজাও এফ সীগী লাইশ্রম কিষননা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সাউদর্ন স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (এস এস য়ু)দা ট্রান্সফর লাকখি।

বিষ্ণুপুরগী সাই উৎলৌগী অহন্থেম সোনালিশ, ট্রাও এফ সীগী যুমখাইবম ৱারিশ অমদি এম এস সীগী খাঙেম্বম লমঙানবনা ইম্ফাল ইষ্টকী পি এফ সীদা ট্রান্সফর লাকখি।

অতোপ্পা শান্নরোয় ১০- টুগপুনম্বোলগী অহৈবম জেমসন, ৱাফা ৱাঙ্গোইগী এল রাধাকান্ত, কে ৱাই ভি ও বিষ্ণুপুরগী পি বিকর অমদি দল্লিয়ু বিজেন, এল পি ৱাই সী থৌবালগী এল থোইবা, সগোলবন্দ য়ুনাইটেদকী আই অবোই, ৱাই য়ু এফ সী উখ্রুলগী জুলিয়ন কৈশিং, সাই উৎলৌগী গোলমৈ অপু কবুই, পাময়াল ইম্ফাল ৱেষ্টকী এ সুরঞ্জয় অমদি কে ঐচ তাইবংঙানবনা ইম্ফাল ইষ্টকী ১১ ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়নদা ট্রান্সফর লাকখি।

শান্নরোয়শিং অসিগী মরী লৈনবা ক্লবশিংনা মখা তাবা অয়েৎ-অপন লৈতনবা ট্রান্সফর অমদি লোনবু সী আর এস তৌনবা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসনগী সেক্রেটরি জ্যোটিরমোই রোইনা খঙহল্লক্লি।

# ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস):
হরয়ানাগী গোসাইন খেরা জিলদা লৈবা দিল্লি পব্লিক স্কুলগী ফুটবোলর একাদেমিনা লাক্লিবা ২০৩০ দা ৱর্ল্ড কপতা ইন্দিয়াগী টিম শরুক য়াবা ঙম্নবগী পান্দমদা পায়খৎপা 'ৱর্ল্ড কপ মিসন ২০৩০' গী শরুক অমা ওইনা একাদেমি অসিদা তম্নবা মণিপুরদগী অনীরকশুবা ওইনা চহী ১০, ১২ অমসুং ১৪ গী মখাদা লৈবা নুপামচা ৬০ লৌনবগী মাস ট্রায়ল সেলেক্সন থা অসিগী ২৪ দগী হৌরগা মথং থাগী জুলাই ফাওবদা ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা পাঙথোক্লগনি হায়না দি পি এসকী মণিপুরগী ষ্টেট কোওর্দিনেটর এন জি কদমজিৎনা প্রেসতা থোক্লকপা চেরোল অমনা খঙহল্লি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, লাক্লিবা জুনগী তাং ২৪ দা থৌবাল হৌখাগী য়ু দি এস ৱাই গ্রাউন্দদা, জুন ২৫ দনা ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী কৈরক অৱাং লৈকায় কাঙজেবুংদা, জুন ২৬ তনা ইম্ফাল ৱেষ্টকী তেরাখা প্লে গ্রাউন্দ মালোমদা, জুন ২৮ দনা মোরেগী ইষ্ট্রন সাইন গ্রাউন্দ, জুন ৩০ দনা চুড়াচান্দপুরগী পব্লিক গ্রাউন্দ, জুলাই ২ দনা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী উখ্রুল হেদক্বাটর গ্রাউন্দদা পাঙথোক্কনি হায়রি।

হায়রিবা ট্রাইঅল অসিদা য়াওনিংবা মহৈরোয়শিংনা মশাগী অধার কার্দ, পোকপগী সর্টিফিকেট অমদি ফোটো পাসপোর্ট ২/২ অয়ুক পুং ৭ তগী নুংথিল পুং ৩ ফাওবদা লাক্লগা য়াওরবা য়াগনি হায়রি।

অকুপ্পা মরোলগীদমক মোবাইল নম্বর ৯৩৬২৫৮৬৮২৯ অমসুং ৮৯৭৪৪৮২১৬৭ দা পাউ ফাওবীরকপা য়াগনি হায়রি।

# ইম্ফাল ইষ্টকী ৫না এপ্লাই তৌরকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২২ (ঐচ এন এস):
ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএসনগী সিজন ২০২২-২৩গী ওইনা ঙসি শান্নরোয় ৫না ইন্টর ক্লব ট্রান্সফর অমদি লোনগী এপ্লাই তৌরকখ্রে।

শান্নরোয়শিং অদুদি ঈ এস য়ুগী যুম্নাম অরিশ মৈতৈনা ৱাই ও এস সীদা, রাইজিং এথলেটিক য়ুনিয়ন (রাও)গী এল রোনাল্ডোনা ১১ ষ্টার এস য়ুদা অদুগা ষ্টার ক্লববকী সৌবাম লোয়াঙম্বা, নেরোকা এফ সীগী য়াইখোম জেক্সন মীতৈ অমদি এস এস সী সেক্তাগী খাইদেম নাওবা মৈতৈনা পোলোই ফুটবোল ক্লবতা ট্রান্সফর লাকখি হায়না আই ঈ দি এফ এ ট্রান্সফর কম্মিটিগী কনভিনর ঐচ মেঘচন্দ্রনা খঙহল্লক্লি।



HL-B/7641/12/5-9/7

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE

### PUZZLE NO. 492



**GM A Demchenko (2654) - GM Alexander Grischuk (2745)**
**Chess.com RCC Wk18 Swiss chess.com INT (6), 2022.06.11**

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 e6 | 2.d4 d5 | 3.Nd2 c5 | 4.exd5 Qxd5 | 5.dxc5 Nf6 |
| 6.Ngf3 Qxc5 | 7.g3 Qc7 | 8.Bg2 b6 | 9.O-O Bb7 | 10.Nb3 Nbd7 |
| 11.Bf4 Qc8 | 12.Nbd4 Bc5 | 13.Nb5 O-O | 14.Nd6 Bxd6 | 15.Bxd6 Rd8 |
| 16.Be7 Re8 | 17.Ba3 Bd5 | 18.b3 Qc3 | 19.Qd2 Rec8 | 20.Qxc3 Rxc3 |
| 21.Ne1 Bxg2 | 22.Kxg2 b5 | 23.Bb4 Rcc8 | 24.Ba5 Nd5 | 25.a3 Ne5 |
| 26.Bd2 a5 | 27.a4 b4 | 28.f4 Ng4 | 29.Rf3 Rc6 | 30.Rd1 Rac8 |
| 31.Rd3 f5 | 32.Bc1 Kf7 | 33.h3 Ngf6 | 34.Bb2 Ne4 | 35.Kf3 Rxc2 |
| 36.Nxc2 Rxc2 | 37.Bd4 g5 | 38.Bg1 h5 | 39.g4 Nxf4 | 40.Rd7+ Kg6 |
| 41.gxf5+ exf5 | 42.h4 Rc3+ | 43.Be3 Ng2 | 44.Kxg2 Rxe3 | 45.hxg5 Rxb3 |
| 46.R7d5 Nc3 | 47.Rd6+ Kxg5 | 48.Rf1 Ne2 | 49.Ra6 Nf4+ | 50.Kg1 Rb2 |
| 51.Rxa5 h4 | 52.Ra8 Ne2+ | 53.Kf2... | | |

**QUESTION :**
**Black to win**

**Puzzle 491 Ans. :**
30. Rh5+ Kg3 31. Re3+ The white rook attacks Black's king, which is defending square f2. Kf4 32. Kf2 Nd4 33. Rf3+ The white rook deflects Black's knight away from protecting the square f5. Nxf3 34. Rf5#
30. Rxe5 Nd4 31. Kg2 Rb6 32. Rh5#
1-0

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST (NORTH) SEKMAI.**

**Ref :- Mutation Case No. 294/SDC/IW(N) Sekmai of 2022.**
1) Irungbam Ireiba Singh S/o (L) I. Shyam Singh of Maharabi Awang Leikai.
2) Irungbam Irengba Singh S/o (L) I. Shyam of Maharabi Awang Leikai. -Petitioners
-Vs-
Irungbam Shyam Singh S/o I. Bidhu Singh of Maharabi. -Pattadar

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
Sekmai, the 22/6/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি Imphal West Tahshil Village No. 29-Maharabi Under Patta No. .. (Old) 154 (New) Covered by C.S. Dag No. 151 গী area .84 acres চাওবা ইশ্বোল/ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা নামা পানবিরো হায়দুনা SDC, Sekmai গী Court তা application থারক্লে অমদি লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউ-চে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা SDC, Sekmai গী কোর্টতা য়েৎলবা য়াগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই Case মখা চথজখ্রনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West North Sekmai
HL-P/3128/23

**IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING : MANIPUR**

**Ref :- Mut. Case No. 464/AS&SO Dated:- 18/6/22**
Naorem Monbi Devi W/o (L) Yaima Singh of Kakching Sumak Leikai. -Petitioner
-Vs-
- do - Yaima Singh S/o Kokngang Singh of - do - -O.P.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / **NOTICE**
18/6/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা Petitioner না/শিংনা ককচিং তহশিল খুল নং ৫৮/ককচিং খুল্লেন, পাট্টা নং ৮/১১৩৬ (অনৌবা), দাগ নং ২০০৭, এরিয়া ১.৩৩ একর লৌফম অঙনফৌ অসিগী পট্টাদার নাওরেম য়াইমা সিংহ, পীং মৃ: কোকঙাং সিংহ, সাং ককচিং খুল্লেন অসি মৃ: ওইখ্রে, মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং ককথৎপিরগা Petitioner গী/শিংগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা অঙনফৌ লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপিনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চথরগনি।

**Sd/- Asst. Survey & Settlement Officer,**
Kakching: Manipur
HL-P/2971/23

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com